ꯊꯥꯡꯖ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯰꯴, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯴꯹ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, দিসেম্বর ০৪, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৪৯শুবা মশীং

# ফিমু শেৎপগী ৱাফমসিবু চুন্ব্রা

## চুন্নগদি ফাঁসিগী কোঙ্গোইনা তরাম্না ওকপীয়ু

হৌজিক অনৌবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখল পাঙথোক্লগদবা মতম খূৎনা লাম্বা ফংজিল্লক্লুবা মতমসিদা হৈরোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা 'ফিমু শেৎপা' গী ৱাফম অমা মীয়ামগী চিন্দোল-লৈতোন্দা পক্নরক্লিবা, সোসল মীদিয়াদা শরা-শল্লক্লিবা অমসুং পাউচেশিংনা রিপোর্ট তৌনরক্লিবা অসিবু অচুম্বমক ওইরমগদ্রা? নুংশিৎ শিৎতনা উনা লেংবা য়ারোই হায়বগী ৱাফমদু খক্তা নত্তনা ৱাফমসি পন্নরক্লিবসি অমুক অনীরক খক্তগী ৱাফম ওইরক্ত্রে। থেঙ্খাং ২/৩ রক শুজিল্লক্লে। অদুনদি পুরা চুমদ্রবসু করিনো অমদি শোয়দনা থোক্লে হায়বনি। অদুবু থৌদোকশিংসিগা ইরোয়ননা লাক্লিবা ৱাফমদি থৌওংসিবু কনানা, করি মরমগীদমক চত্থরকপা'মক ওইরমগদগে হায়বসিনি। অদুগা থৌদোকসি নহানমখৈ থোক্ত্রগা হৌজিক ইলেক্সনগী মতম নকশিল্লকপদা থোকচিল্লকপনিনা পাঙথোক্লগদবা মীখল অসিগসু মরী শোয়দনা লৈনগনি হায়বনি। ৱাফমসি চুমনি। হৈরোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী মীরেপ ওইগদবশিংগী মরক্তগী অমনা নৎত্রগা খরনা মহাক্কী নৎত্রগা মখোয়গী মায়োক্তা লৈবা, লম্বা তৌগদৌরিবা অতোপ্পা মীরেপশিংগী মপাঙ্গল শোন্থহন্নবা, হন্থহন্নবা তৌরক্লিব্রা? কিহন-খংহল্লগা মীয়ামগী মমল য়াম্লবা ভোট নমদুনা লৌরগা কারগে হায়দুনা হেক্তা চত্থরকপা থৌওং ওইগদ্রা? নত্রগনা অচৌবা মচা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ইলেক্সনগীদমক খোইরেল মসা পানখৎনরক্তুনা ভোট ফংনবা ৱাশক পরেং শকথনরক্লিবা অসিনা নাকোং শীংজা য়ৈহনবগুম থোক্লবা মীওই খুজোক খরনা অমত্তা তাজনীংদ্রে হায়দুনা মীখলদা ভোট থাদগদবা ভোটরশিংদা অকি-তুজুং পোকহল্লক্লিব্রা? মরম ময়ামসিগী মনুংদা অমদি শোয়দনা ওইরনি। অদুবু ফিমু শেৎতুনা খদাংচেৎ লাক্লগা মমায় খুমজিল্লগা চত্থরকপা থৌওং ওইরবদি অফবা, অচুম্বা থবক থৌওং ওইরোই, মীয়ামদা অফ-নুংঙাইশিং পীনবদি খক ওইররোই।

অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু থৌদোকসিনা অচুম্বা, অশেংবা ওইরগদি মখা শমথরকপা চুন্লোই হায়নীংই। থৌওইনা তৌরক্লিবা মীওইশিংনবুদি মখোয়গী অপাম্বা থুংনবা নৎত্রগা মী অমা নৎত্রগা খরগী ওইজ-ওইথক ফংনবদি ওইরম্বা য়াই। অদুবু অমুক হন্না থোরকহন্দনবা হোৎনহৌগদবনি। থৌওংসিদি ঙসিগী দিজিটেল ৱর্ল্ড অসিগা তায়ওন্নবা, থোরকহনফম থোক্তবা থৌদৌনি। অসুক য়াম্না চাওখৎলবা মতমসিদা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা মাঙজিল থাবা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক্তা অসিগুম্বা না লাওরিঙৈগী, ফি শেৎকনি খঙদ্রিঙৈগী মানবা লুজ দবা থৌওংশিং চত্থরক্লিবা অসিবু করম্বা মীওইশিং ওইরমগবা? হৈরোকপু অতোপ্পা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী মমাঙদা এ সীসিগী ৱাংমদগী মীওই খরনা লাক্তুনা খাবৈ-খারা শাররিব্রা?

থৌওংসিদি মখা শাংথহল্লকপা চুন্লোই। হৈরোক্কী মীয়াম চপ মান্নদুনা ফারগা কোৎলগা লাপ্না লংথোকখিগদবনি। নৎত্রবদি য়াই খঙদুনা সুম চত্থরকপা য়াই। মীখল পাঙথোক্কদবা অতোপ্পা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংদসু লমদম্নরকপা য়াই। মৈরিকপীদগী মৈজাওবী ওইহল্লক্তুনা লৈবাক ৱাথোক ওইহল্লকপা য়াই। য়াদে খঙহলহৌসি, মফম অসি মীয়ামগী লো লৈরি, চৎনরি, লো থুগাইবা অমসুং লমহেন-তুহেনবা, মথোং মরম খঙদবা মীওইশিং লৈবা য়াদে হায়বদু চপ চানা খঙহলহৌগদবনি। মসিগা ইরোয়ননা লো এনফোর্সিং এজেন্সীশিংনসু ফোর্মেল রিটন কমপ্লেন্ট/রিপোর্ট লাক্ত্রি হায়দুনা হিয়াং তান্নবা য়েংবদৌনা তুংলোমদা খূৎ পুল্লগা লৈথোকপা চুমদে। মীশি মীনা য়াওরক্ত্রিঙৈ, মীয়ামগী লন-থুম অমাঙ-অতা থোকহল্লক্ত্রিঙৈদা কৈদৌদগে হায়বদু খঙনা থবক লৌখৎহৌবা চুমগনি। থৌদোক-ৱাথোক থোরক্লগা থৌনা ফবা নোংশাদৌনা হুরানবা মতুং মৈরিংলকপনা মরাল লৈবা অমসুং চেন্নরিবা মীওইশিংবুদি ফাগৎপা ঙম্নি অদুবু মখোয়না থৱায় অমসুং পোৎ-চৈ মাঙহল্লম্বা য়াওরগদি অমুক হঞ্জিল্লকউ হায়বা য়ারোই। ষ্টেটকী হোমগী থবকসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টরনা মীয়াম তিনবা থৌরম পূম্নমক্তা লো-এন্দ-ওর্দরগী ফীভম ফগৎলে, ঈংনা চিক্না লৈবা ঙম্লে হায়দুনা কোইরাও লাওরগা হৈরোক্তুনা নুমিদাংদা ফিমু শেৎপশিংনা লাই ফত্তবা শারকপা চুন্লোই। ফিমু শেৎপগী থৌদোকসিনা অচুম্বা ওইরবদি লোবু মথ্বায় পালহল্লিবশিংনা ফিমু শেৎপশিংদু ফাঁসিগী কোঙ্গোইনা তরাম্না ওকপীয়ু।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩১

১) ***"শীঙেন নাচোম"*** হায়বা কুমজা ১৯৩৯দা অহানবা ফোঙখিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **"তমথীবা নোংলৈ"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা, করি লোলগী লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **"ৱাখলগী মরোল মরোল নাইরবা চেনাশিং/আশাগী ৱাংখৎখ্রবা তেলঙ্গাশিং/কোয়লৈ কোয়লৈ/অকনবা নুংশিৎনা/হুমদোকখ্রি অসুম ইকুম ওইনা/থম্মোয়নুংদগী/মরূ ফূকখ্রি মঙলান য়াওনা।"** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগীনো?

৪) ***"পোইরৈ নাৎকী ৱারেং"*** হায়বা লাইরিকঅসিগী অইবা কনানো?

৫) ***"কেকু লোৎপী"*** হায়বসি অইবা কনানা ইবা, করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# এ টি এমদা মৈচাক মৈচাক

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**




ঐ খোয়দৌ শাউগৎলমগদ্রা শাউগৎলম্লোইদ্রা হায়দোকচখিরোই। অদোম্না পারগা খঙবীরো, পাদ্রগনা খঙজদ্রে। পারগনা খঙজরে। হৌজিক মতমসি মীনা ইবা পাবা তন্নরবা মতমনি। মৌ অমা মাঙখ্রে, মাগী নুপানা মাগী নুপী থাঙনা য়াল্লে, মাগী নুপাবু মাগী নুপীনা মখৌরি মেৎলল্লে হায়বা ওইরবদি হেক্তা পানীংনৈ। অফবা, কান্নগদবা, নুংঙাইবা পাউ, আর্টিকল পাবা ইতন তন্নে। চৈরাক ওইনা নুমিৎ মঙানিগী/তরানিগী লাইরিক পাবগী চৎনবী অমা লৈঙাক্লা হৌদোকপা ফরবনি। সিগুম সিগুম্বা নুপা নৎত্রগা নুপী অদুনা শেল চারুবগী, ওইদবা ঙাঙলুবগী, ফত্তবা অমা তৌরুবগী, শৈরেং লাইরিক, ৱারীমচাগী লাইরিক, উপন্যাসকী লাইরিক তরা-তরা পাহনবগী চৎনবী থম্বা মতমদা পাবা তন্নরগদৌবা মতম হায়বদু য়ৌরবনি। লাইরিক পাদবা মীদা চৈরাক্কী মতম অমুক হন্না শাংদোকহনগনি হায়বদা মপুন্সি চূপ্পা জেলদা লৈগদৌবা মী ফনদি য়ামগনি। জেলবু থনগনি।

নহান নোংনি। খূৎতা পায়রম্বা শেলশিংদু লুহোংবগী পোৎয়েং পীবদদা লোইখ্রে। এ টি এম চঙদুনা অমুক্তা অয়াওবা খরদু লৌথোক্লুগে চৎলি। লুপা লিশীং তরেৎ/নিপান য়াওরমখিনি। মঙাদংদি লৌথোক্কে খল্লি। লুহোংবা মরি/মঙাদি কোন্নরনি। পোৎয়েং অসিসু লুপা ৫০০ পীবদি মায় হেক্তা ঙাংলে। ইমান্নবগী মমাঙদা লুপা ৩০০ পোৎয়েং পীবা হায়বসি তাইবঙপাল অসিদা হিংলুরনু হায়রক্তৌগা মাল্লে। কনাগুম্বা অমনা শেল অসি য়াম্না লায়না লায়না তাল্লি। মখোয়দা লুপা ৫০০ চৎপী অসি লুপা ৫ চৎপীনা হেন্না য়াম্না খল্লমগনি।

এ টি এম মনাক্তা য়ৌরে। মী খরা চিন্দবা লৌবদা খরা কোম্বা মফমনি। কোভিদ-১৯গী মতমনি, মী কূংবা এ টি এমসু কয়া কৈদৌদে হায়দনা। গাড়ী লম্বী মপাল ওইরপ্না খামজিল্লগা এ টি এম বূঠ তান্না চঙই। থৌবালদা লুহোংবা অমা চৎপগী পোৎয়েং ওইনবনি। খরা ঙল্লপ চৎকদবা লুহোংবা অমনি। ইমান্নবা অমগী মচাগীনি।

এ টি এম বূঠ মনুংদা হাফপেন্ট শেৎপা নুপা অমা এ টি এমদগী শেল শৎতুনা লৈরম্মী। এ টি এম বূঠকী মপান্দনা নুপা অমা হকাম চল্লদুনা শেল শৎলিবা নুপা অদুনা থোরকপা ঙাইরি। শেল শৎলিবা নুপা অদু এ টি এম কার্দ অনী পায়রকপা মাল্লি। অমা লোইরগা অমা শৎলি। মপান্দা ঙাইরিবা নুপা অদুগা ঐগা ৱারী ৱাতাই ঙাইহাক শানৈ- কোভিদ-১৯ হায়বা বদমাশ অসিগী মরমদা। ৱারী অদু ফনা শাংনা শানৈ। কোভিদ-১৯গী নমাদা লৈবাক খরনা চান্স লৌবা য়াওনরব্রা? কোভিদ-১৯না দিমোক্রেসি অসি মখৌজেং মেৎপা লৈবাকশিং য়াওনরব্রা? অওইবা ৱারী নত্তে, পুক্তগী, কোক্তগী থোক্তুনা পংঙাঙ ঙাঙনবনি। ফল তাদবা ৱারী লইনা। মনুংদগী নুপা অদু শেল লৌথোকপা লোইদ্রি। এ টি এম কার্দ অমা অমুক মাগী খোঙগ্রাও খাউদগী ইনৌ নৌনা লৌথোক্তুনা চামঙা চৎপী অমুক চিংথোরকই মথং মথং।

ঐগী নাক্তা লেপ্লিবা নুপা অদু উইনীংলক্লে হায়দুনা ফমথখ্রগা খ্রো-খ্রো নাখোকখ্রে। ঐসু নুপাদু মনুংদগী থোরকপা ঙাইরি। এ টি এম অনৌবা অদুগী শেল শৎপা লোইখিদুনা অমা অমুক পুথোরক্তুনা মদু এ টি এমদা হাপ্তুনা তক তক নমদুনা পাসৱার্দ নম্বা হৌদুনা শেল শৎপা অমুক হৌখ্রে। য়ূমদগী ফোন লাকই। ঐগী নুপীনা তৌরকপা কোলনি। লম থাপ্পী। লুহোংবগী অহানবা ধোন থিনবা হৌখ্রে। খরা থুবীরক্লো হায়বা মতাংগী কোল ওইরম্মে। ঐনা খুম্মী ও লোইরে লোইরে লাক্লগে, ঈশিং অশাবদুম লুম্লম্মু। গ্লিসরিন, সাপোন, ফদি, শমজেৎ, মিংশেল, ফি রোল লোইনা থাংদোক্লম্মু। ঐগী নুপীনা হোয় হায়দুনা ফোন থমখ্রে।

উইরম্বা নুপা অদুনা চিংলগা মীকপ থোক্তুনা হায়রকই, "নুপাদু শেল লৌবা লোইখ্রবরা?" "লোইদ্রি!" নুপা অদুনা হায়রকই করিনো মানা এ টি এমদগী শেল শৎলিসি ঙসাইদগীনি। হৌজিক ঐনা মীকপ থোক্লবা অসিফাও লোইদ্রিবা ওহ! মাগী ৱারী মখা চত্থরিঙৈ, য়ূমদগী কোল অমা লাকই। অনীরক শুবা বর যাত্রাগী ধোন য়ৈখ্রে লাকপীরো হায়দনা। ঐনা লাক্লনি লোইরে হায়না খুমজিল্লি। শোমদদি বূঠ মনুংগী নুপা অদু নীংঙাইদনা শেল শৎলি।

ঐগী নাক্তগী নুপা অদুনা হায়রকই, "মসিগী নুপা অসি এ টি এম বনধান লৌবা মী ওইরম্বা তারে। ঙসি তারিখ ১গা ওইবগা শোয়দ্রে হায়না হায়রকই। মদুতদা ঐ ৱাখল লাকই। মনুংগী নুপা অদুগী ওই থংবা ফুরিৎখাও অদু য়েংবদা এ টি এম কার্দনা তোংলপ তৌনা উরে। শেল লৌগে হায়না লেপ্লম্বা মী খরদি অতোপ্পদা য়েংলগে হায়রম্মগা হন্নখ্রে। হান্নগী মপান্দা লেপ্লিবাইবানিদা অদুম ঙাইরে। য়ূমদগী ঐগী নুপীনা কোল অমুক তৌরকই, "হো, এক্সিদেন্ট থোক্তুনা হোস্পিটালদা লৈরব্রো নহাকপো? হো! লুহোংবা চৎখ্রে।"

ঐ খোয়দৌ শাওগৎপনা লোইরে। অকাম অপেৎ থাংনা লাউনীংলকই। থোঙ থাংদোক্লগা হায়রুই, "নহাক্কীদু লোইদ্রিবরা?"

নুপা অদু মমায় ওন্থোরকই অদুগা হায়রকই, "অতোপ্পা এ টি এম অমদা চৎপীরো শেল লোইখ্রে, ইয়াম্বখোয়।

মহাক শেল মশীং থির-থিরগা মপান্দা থোরকই। ঐগী নাক্তা লেপ্লিবা হান্নগী নুপা অদুনা ঐঙোন্দা পাম্বে লৈতনা য়েংলকই। মাগা ঐগা মৈচাক মান্নে।

খঙদে মীশিং অসে! মশা মশাগী খন্নে। অতৈগীসু খরা খনবীরবদি মফৈ। শেল লৌরবা হাফপেন্ট শেৎপা নুপা অদু মাগী কারদা মচানুপাগা হরাওনা তোংলগা চৎখি। ●

# হিংনবা হোৎনরিবা কনানো

**নবকুমার ওইনা**

চহী লিশীং অনী হিংনবা হোৎনরকই হায়বসি কনানসু থাজবা ঙম্লরোই। হিংবগী মওং খেন্নে খনবদি য়াই, ঐ শিদ্রি পূম্নমক হিংলি হায়বা য়াবা লৈতে। শিবগী মওং য়াম্মী, মীমাংদা চংশি শিবা, কোক য়াদবদগী ৱাখল য়াওদবা, হকচাং শিদোকপা, অহুমক শিবা ঙাইবা কাঙবুদি হান্নবা শিরবা ঙাক্তা ওইফম থোকই। শিরবশিংনা হিংলিবা শারগা ঙাঙবনা খুন্নাই অমা অহিংবা লৈবাক ওইহনবা ঙম্লগনি খল্লবদি অচৌবা অরানবা অমনি।

য়াইরিপোক্তগী য়াইবী লিচৈ খাঙলগা য়ৈবনা থিঙেলদা য়ৈদদনা নাশিখোংদা য়ৈবদা থম্বালনু হাৎখি। তুরেল থিংবদা মী হাপ্লগা থিংবা য়াই হায়বসি মিথোলোজিনি হায়জিনবনি। থম্বালনু হাৎপা হায়বসিনা মশানা মশা হাৎপা ঙম্বা কাঙবুনি হায়রিবনি। হৌজিকসু লিচৈ লৈতবগী মওংনি, মশানা মশা হাৎচবা ফুরুপনি হায়বসি মৈতৈগী শাজত্তগী খঙবা ঙমগনি। সেদ্যুল অমদা য়াওদ্রবদি হিংবা ঙম্লোই হায়বসি য়াদবা মী য়াওরিবনি, থিঙেল মচাশিং কনা কনানো হায়বা অদুম খঙনবা ৱানি। ফম্নাইবশিং কয়া য়াওরি, হন্দক্লা থম্বালনু কয়া হাৎকে হায়রিবা। য়ূম থংনরিবা ষ্টেটশিংগী মমাঙদা ইকায়বা ফাওরমগনি, হায়দোক্তবগী ৱাতনি। ইকায়বা ফাওদ্রগনা ঈ অকায়বা য়াওবগী ওইবসু য়ারিবনি। হৌজিক্তি কোটতা লৈবা হৌদোং ফাওবনা ফৌ শঙলিবনি হায়না খোংবা ঙম্লবনি। য়ূম্বুনা মীতম্বান ওইবগী লাইপাউদা থাজদুনা লৈরিঙৈ কাওশিং কাওরাগুম পাঙজদ্রবা খুঞ্জাশিংদি শুগুনুদা নুংথোং ৱাংমা লান্না তাওথখ্রে। খুন্নাই অমা তুম্নবা থিংঙেল মচা-মচা শারেল চল্লগা মী হাৎপনা কংলাগী মৈ মুৎপদি ঙমদ্রে। মতোমতা চাকচবা মৈনি মদোম মুৎচখিনি খনখ্রবরা। ৱাথোক্কী ৱাথোক ঙাক্তা মী হাৎনদ্রিমখৈ লোইবা নাইদে। মোংবা চংববু শা লানগুম্না খল্লগা তান্থোকপসু ঙমজদ্রে। শুজা কাবদৌনা কাংখ-লুকখাদা মীতোপ চঙববু থিংগনি খঙজদবা মীশিংনা হিংবা পাম্বনি হায়বা য়ারোই, তানীংলোই। থবক ঙমজদ্রগা পাংদবা উখোক্তুনা কপ্লগা লেল্লিবসি থৌনা লৈবগী নত্তে, শিন্থোং খঙদবা ওইগনি, অদুম খঙনবা ৱানি। মাইবা-মাইবী থিরগা লাই খুরুম্নবা মীতৌদুম তম্লগা শেল তিংনদুনা লৈহৌরে, কাঙবু-কাঙবু খৎনরগা, চংহাৎ হাৎনরগা লৈহৌরে।

লানদি নোংথক্তা শোক্লগদৌবা নত্তে, লৈমায়দা মী মরক্তা শোক্লগদৌবনি। মী কিরগা লান শোক্লবা ঙমগনি হায়বা হৌনদে। খুদুং ইনবশিংগীদি য়েক্লবা লৈতবসু য়াই। য়েক্লবা য়াওনদা নৎত্রগা য়েক্লবা খঙদবশিংনা করি লানবু য়াওজরুদৌরিবনো? লানবু কেবাক থোক্লা শোক্লবা য়ারদ্রা? হিংগে হায়রবদি হায়বখক্তনা য়ারোই, হিংবা হৈবা চঙলিবনি। হৈগনি, হৈরবনি খনবনসু য়ারোই। নুংঙাইনা হিংহনগে হায়বসি ৱাথী চিংই, হিংবা হায়বসি থবকনি, অৱাবা মায়োক্লগদৌরিবনি। থবক্তি শুদনা দ্রগ চারগা নুংঙাইথোক্লিবশিং হিংলগে হায়বা নত্তে। মমা-মপানসু হিংনবা লম্বী তাকপীদবনি, লমজা-শারা মচা চিংই। হিংনিংলিবনা কনা কনানো হায়বা ময়েক শেংনা খঙনবা অমা চঙলি। মীনা নমথুবা য়ারগা হিংবা পাম্মী হায়বা য়াবা নত্তে। মমাঙঙৈদদি খূৎনা শুরগা, চিন্না ঙাঙলগা হিংলম্মী, হৌজিক্তি কোক্লা হিংবনি, কোক য়াওদ্রবদি হিংবা ঙম্লক্ত্রবনি। থায়নদি কোক শেমগৎপদি লাইনীংনা ওইরম্মী, হৌজিক্লা লাইনীং হায়বসি মী খৎননবা, হাৎননবা ওইরক্লে। লাইনীং কন্নবা হোৎনরিবশিংনা অচুম্বা ঙাঙবা ঙম্লক্তরে। লাইনীংবু অচুম্বনি হায়বশিং য়েক্লবা শাগৎপা ওইরক্লে। লাইনীং অমনা লাই নীংবা খুদিংমক কোনশিনবা ঙম্লক্তরে। অচুম্বা ৱাফমদু লাইগী মীংদা লান্না শীজিন্নরে। লাইনীং মান্নদবশিং হাৎনবগী হালেংবা লৈরক্ত্রে, লাইনীং মান্নবশিংসু হাৎনবা লেপ্পা নত্তে। লাইনীংগী লোংউপ মনুংদা কয়া কুইনা লৈখিগনি হায়বগী ৱাহং লাক্লে। লাইগীনি হায়রগা থৌরমশিংদা হেঞ্জিনবা অসুম হেঞ্জিল্লক্লিবসি লাইনা হায়বা নত্তে, মীনা হেঞ্জিনবনি। লাইগী ফজবা শক্তমসু মীওইবনা মাঙহনবনি হায়রগনি। লাই থাজবসু মীননি, মী নত্তবা লাই হায়বা লৈবা নত্তে। মমৈদা মীনা লাই শেম্লে, হেঞ্জিন্না থাজবদগী লাইগী ৱাথোক হেনগৎলক্লে। মীনা মী নমথবসু লাইগী মীংদা নমথবা হৌরকপদগী মীওইবগী খুন্নাইসু মরায় চায়থরকই হায়বগী ৱাফম লাক্লবনি থাজবা মী লৈবগী লাই লৈবনি, থাজবীনবা মী লৈত্রবদি লাই লৈতে। লাইদা হেঞ্জিন্না থাজবশিংনা মীয়াম্বু লান্না পুনবা হোৎনবা তোকপা লৈতে, লাই শারকপা য়াওরবনি। মদুমক লাল্লি হায়বদা অততাই ওইনা শাওবা য়াওজরিবনি, লাইদু মখোয় খরগী মরন্নাই মানবা য়াওরক্লিবনি। অদুগুম্বা অওক অপা শাবা য়াওবসিনা লৈবাক অমা মুত্থৎপগী খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবা য়াওরক্লবনি। মদুদগী লাইশু লানবা হৌরকখিবনি। লাইনীং অমনা চুম্মী হায়বদু লাইনীং অমনা য়াদে, হায়বদি লাইনীং হায়বসি লাইনীং পূম্নমক্কী ওইনা চুম্না ওইবা ঙমদে হায়বনি। থুমদা নূঙ চঙবগুম্বনি লোইনা তুমহল্লগা চাবা য়াদে, নূঙ চঙই হায়বনি। হিংনবা হোৎনরিবা মরক্তা নূঙ চঙবা য়াওরকই।

হিংগে হায়বশিংগী খোল্লাউ মান্নবদি য়াই, থবক্তা মান্নবা ঙমদ্রবদি অমুক হিংবা ঙম্লোইদৌরিবনি। লূপ অমবু শেলনা লৈখিবা মতমদা ফেক্টরিগী ষ্ট্রাইক লেপখিবা য়াওরিবনি। লূপ অমনা মীয়াম্বু খোমজিনগদৌবনি হায়বা লৈতে, মীয়াম্না লূপ কয়া শেম্বসু য়াই। লূপ খুদিং মীয়ামগীনি, মীয়ামসি লূপ অমগী নত্তে। মীয়াম্না য়ারক্ত্রবদি লূপ্তু মীয়ামগী ওইরক্তে, মুৎখিবসু য়াই, মশানা থুপচিনজখিবসু কয়ানি। লূপ অমগী য়েংলগা হিংবা তোক্কদৌবা নত্তে। মীগী শুম্মাংদা চঙলগা খৎনবা হৌবা হায়বসিদা অচুম্বা অমত্তা য়াওদে, ঙক্লরিবদুদি ইমুংদুনি। লমদম অসিগীদি চৎনবী ওইরি, শাগুন তৌবা লাক্কনি পংকিদা কিবা, ময়ূমদা তূম্বা ঙমজদবগী ৱাফম লাক্লি। হিংবা ঙম্বগী থৌনা য়াওদনা হিংলি হায়বা থাজনরক্লোই। নাকল অমদনা মী নেৎথৎপা ঙমদ্রবদি হিংদ্রে হায়না খল্লগা চোঙশিন চোঙশিন্দুনা খোংবান লুক্লাং ফূল্লে, উনা-উনা লাওতাং তাংলবশিংনা হিংলিবনি, ইতেং পাংবীয়ু হায়বা তাবীনবা লৈরোই। হিংবা হায়বসি পোক্লবশিংগী রাইটনি, চুম্মী-লাল্লি হায়বা লৈতে। খুজিন্দা চংবা তুম শৎপা ঙমদবা হায়বসি হিংদ্রে হায়বনি। মথংদা কাংখদা লিন চঙলকপদা কিরগা চেন্থোকখিনি, ফমুংদনা মীগী মচা শুমজিল্লবনি। ঐসু খরা হিংজগে হায়বগী মীচা মীনাইদা ৱাচৎ ৱানোম তৌরগা লেনবা ঙম্বা হায়বসি হিংবা ঙম্বগী থৌনা য়াওদ্রি হায়বনি। মীগী খোয়দৌ থিৎহল্লগা হিংগনি খল্লিবশিংনা করম্না কয়া কুইনা হিংবা তারিবা।

লৈবাক অমা হিংবা হায়রবদি হ্যুমেন রিসোর্স চঙই, লৈমায়খক্তনসু য়াদে। ভোট পীরগা ইলেক্সন তৌরে, লৈবাক অমা লৈরে হায়বা য়াদ্রি। মীয়ামদুগী পূক্লিং ৱাখলদু হিংবা ঙমদ্রবদি লৈবাক কৌবা য়াদ্রি। লৈঙাক ওইনবা লো শেম্বা চঙই, লোদু লৈবাক কৌরকই। লোদু হিংহনবা ঙমদবশিংনা অহিংবনি হায়বা য়াদে। মীনা শায়রগা ইনবা নৎত্রগা দ্রিপ য়াল্লিবা হায়বসি হিংবা-শিবা মফম খঙবা নৎত্রি। হিংবা হায়বসি ইনর্জি লৈরিবদুনি, পোটেন্সিএল ইনর্জি য়াওদবশিং অহিংবা কৌদে। চহী চামরিগী মতুংদা হিংগৎলকপা লৈবাক লৈরি (বারবাদোস)। ঐখক হিংগে, ময়ামগী খঙদে হায়বসি সোসল বিয়িং নত্তে, মখোয়দি লৈবাক অমত্তগী ওইদবসু য়াই, প্রোব্লেম শাগৎপদি মখোয়সু অমনি। অরায়বা লোন্দা নচা লৌথোকউ ইচা শুমগে হায়বনি। মদু উবা ঙমজদবশিংগী তুংগী পুন্সিদা লৈবাক হায়বদুমা অমুক হন্না ফংলরোইদবা মংলান অমদা পুন্সি লোম্বা ঙাইরগা মুৎচখিবা তাবনি। হিংনবা হোৎনদ্রবা হায়বদুনি। ●